# মীখলদা কা হেন্না চাদিং তৌখিবগী দিল্লি হায় কোর্টনা কেজ্রিৱাল অমসুং ভারতিগী মথক্তা নোটিশ থাখ্রে






**নিউ দিল্লি, জনুৱারি ২৮ ঃ** বি জে পি গী লুচিংবা অনিনা তোঙান তোঙান্না থারকখিবা কেস অমগী মতুং ইন্না মীখলগী মতমদা শিজিন্নবা য়াবা লুপা লাক্ষ ১৪ দগী হেন্না শিজিন্নখি হায়না চিফ মিনিষ্টর আর্বিন কেজ্রিৱাল অমসুং লো মিনিষ্টর সোমনাথ ভরতিগী মথক্তা থারকখিবা কেস অমগী মতুং ইন্না দিল্লি হায় কোর্টনা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হায়রিবা মীওই অনি অদুগী মথক্তা নোটিশ ইসু তৌখ্রে।

জষ্টিস বিপিন সিংহনা দিল্লি বি জে পি গী প্রসিদেন্ট বিজেন্দ্র গুপ্তনা থারকখিবা পিটিসন অদু লৌখৎলদুনা কেজ্রিৱালদা ৱাফম অদুগী মতাংদা চপ চাবা খঙহল্লক্নবা নোটিশ অদু ইসু তৌখিবনি। বিজেন্দ্র গুপ্ত হায়রিবা মীওই অদু নিউ দিল্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা আর্বিন কেজ্রিৱালগা হৌখিবা এসেমব্লি মীখলদা লম্বা তৌনখিবা মীশক্কি হায়রি। অতোপ্পা জষ্টিস জি এস সিষ্টানিগী বেঞ্চ অমনা বি জে পি গী লুচিংবা অমসুং হান্নগী দিল্লিগী ময়ুর আর টি মেহরানা থারকখিবা পেটিসন অমগী মতুং ইন্না দিল্লিগী লো মিনিষ্টর সোমনাথ ভরতিদা প্রোভিজন ওফ রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপল এক্টকী মখাদা মীখলগী মতমদা লুপা লাক্ষ ১৪ দগী হেন্না শিজিন্নখিবগী মতাংদা চপ চাবা ৱাফম খঙহল্লক্নবা নোটিশ থাখি। দিল্লিগী এসেমব্লি সিট মালভিয়ানা নগরদা মীরেপ ওইরকখিবা সোমনাথ ভরতিনা মীখলগী মতমদা হায়রিবা শেনফম অদুদগী হেন্না শিজিন্নখি হায়না মরাল শিরক্কি। কোর্ট অদুনা ইলেক্সন কম্মিসন্দা নোটিশ থাবগী মহুৎ আম আদমি পার্টিগী লুচিংবশিং অদুদা চয়োল মরিগী মনুংদা হিরম অদুগা মরী লৈননা চৎলিবা চহি অসিগী ফেব্রুৱারী ২৫ দা হিয়ারিং চখগনি হায়না খঙহনখি।

হিয়ারিং পাঙথোকখিবা অমদা বি জে পিগী লুচিংবশিংগী মায়কৈদা সৈত্যপাল অমসুং রজিব রঞ্জন রাজনা উকিল অমা ওইনা লেপখি। রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট থৌওইদনা আম আদমী পার্টিগী লুচিংবশিং অদুনা চপ চাবা অচুম্বা শেল থুম শিজিন্নখিবা একাউন্ট রিপোর্ট থমখিদে। মদুদগী হেনবা চাদ্দিং কয়া তৌখি হায়না মরাল শিখি।

বি জে পি গী লুচিংবা অদুনা হায়খিবদা কেজ্রিৱাল অমসুং ভরতিনা করপসন তৌবগা লোয়ননা য়াম্লবা শেলফমশিং চাদিং তৌখি। ভোট খোম্নবা হোৎনবদা পাঙথোকখিবা জিট কি কুঞ্জ, ভোট ফোর চেঞ্জ’ হায়বা মমাং চহিগী নবেম্বর ২৩ দা দিল্লিদা লৈবা যন্তর-মন্তরদা পাঙথোকখিবা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অদুদা লুপা লাক্ষ ৯৪.৮০ চাদিং তৌখি। মদু মখোয়না নোমিনিসেন ফাইন তৌখ্রবা মতুংদা চখখিবনি হায়না মরাল শিরি।

আম আদমী পার্টিনা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অদু পাঙথোক্নবা হোৎনবদা লুপা লাক্ষ ৯৪.৮০ চাদিং তৌখি। মদু কা হেন্না ৱাংলবা শেলফম অমনি। মীখলগী মতমদা শিজিন্নবা য়াই হায়বা লুপা লাক্ষ ১৪.৭২ দগী কা হেন্না হেল্লবনি হায়রি। ৱাফম অদু চপ মান্নবা মওংদা বি জে পি গী লুচিংবা মেহরানা আম আদমী পার্টিগী লো মিনিষ্টর সোমনাথ ভরতিগী মথক্তসু মরাল শিরি।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### মালেম লৈকোইপুংগী ৱাংমদা–৭

*মালেম লৈকোইপুংসিগী ৱাংমদা মীওইবনা খোঙশান্নবগীদমক জিব পানবা শা–ঙাশিংদা চাংয়েং চখরবা তুংদা মীওইবনা অহাংবা মালংবা খোঙশানবা হৌখি। অহাংবা মালংদা মালেমগী ওইনা ইহান হান্না খোঙশানখিবা নিপা অদুদি য়ুরি গেগেরিননি। সোভিয়েটকী কোস্মোনোট য়ুরি গেগেরিন ইং ১৯৬১ গী এপ্রিল ১২ দা কাপখৎখিবা সোভিয়েটকী রোকেট ভোষ্টোক ৱানদা য়াওদুনা পূং ১ গা মিনিট ৪৮ চংনা মালেমগী অকোইবদা অমুক্তং কোইরুরগা মালেমগী লৈকোইপুংসিদা অমুক হল্লকখি। মতমদুদা অহাংবা মালংদা থিজিনবদা য়ু এস এ অমদি সোভিয়েট য়ুনিয়ন লৈবাক অনি অসি কন্না হিদান্নখি। সোভিয়েটনা মসিগী কোস্মোনোট অমা অহাংবা মালংদা মালেমগী অকোইবদা কোইখিবগী হেক মথংগী থা মেগী তাং ৫ (১৯৬১) দা আমেরিকানসু মসিগী এষ্ট্রোনোট অমা অহাংবা মালংদা খোঙশানহনখি। আমেরিকাগীনা অহানবা ওইবা মালেমগীনা অনিশুবা ওইবা অলান বি. শেলার্দ জুনিয়ার কৌবা এষ্ট্রোনোট অদু মর্করি থ্রিনা পুদুনা অহাংবা মালংদা মিনিট ১৫ গা সেকেন্দ ২২ লৈখি। মহাক্তি য়ুরি গেগেরিনগুম্না মালেমগী অকোইবদা কোইখিদে। চহিদুমক্কী হায়বদি ইং ১৯৬১ গী আগষ্ট তাং ৬ তা অমুক সোভিয়েটনা ভোষ্টোক টু থাগৎখি। লৈবাকসিগী এষ্ট্রোনেট গের্মন এস. টিতোপ মদুদা তোংদুনা অহাংবা মালংদা পূং ২৪ (নোংমা) পাইখি। মতমদুদা হায়রিবা এষ্ট্রোনোট অসি মশাগী চহি ২৫ গা থা ১০ গা নুমিৎ ২৫ খক্তা শুদুনা হৌজিক ফাওবদা মালেমগী ওইনা অহাংবা মালংদা কোইবা খ্বায়দগী নহা ওইবা এষ্ট্রোনোট ওইরি। মথংগী চহি ইং ১৯৬২ গী ফেব্রুৱারি ২০ দনা আমেরিকানা ক্রেইসিপ সেভেন কেপসুল হায়বা রেকেট অমা কাপখত্তুনা মালেমগী অকোইবদা (ওর্বিট) কোইহনখি। মদুদা জোহন ঐচচ গ্লেন জুনিয়ার কৌবা এষ্ট্রোনেট অমা য়াওহন্দুনা মহাক্না আমেরিকাগী ওইনা অহানবা মালেমগী ওর্বিটতা কোইবা এষ্ট্রোনোট ওইখি। মালেমগী অকোইবদা অহুম্নক কোইখি, পূং৪ গা মিনিট ৫৫ চংখি।*

## গে–সেক্স অথিংবা অমুক হন্না য়েংশিনবগী ৱাফম সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে



**নিউ দিল্লি, জনুৱারি ২৮ ঃ** পৃথিবীগী খ্বাইদগী চাউবা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইরিবা ইন্দিয়াদা গে–সেক্স অথিংবা থমখিবগী মতাংদা হ্যুমেন রাইট এক্টিভিষ্ট অমসুং সরকারনা খোঙজং কয়া চংশিল্লকখ্রবসু থা অমরোমগী মমাংদা লাউথোকখিবা অথিংবা অদু অমুক হন্না খন্নবগী ৱাফম সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে।

সরকার অমসুং হ্যুমেন রাইটস গ্রুপ তরেৎনা কোর্টকী অদুগুম্বা অথিংবা অদু অমুক হন্না য়েংশিন্নবা থারকখিবা দরখাষ্টশিং অদু সুপ্রিম কোর্টনা অমুক হন্না য়েংশিনবগী ৱাফম লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে। হ্যুমেন রাইটস গ্রুপকী উকিল ওইখিবা আর্বিন নরায়ন কৌবা উকিল অমনা ফোঙদোকখিবদা সুপ্রিম কোর্টনা অদুগুম্বা ৱাফম অদু তাবীদনা থমখ্রে। অদুম ওইনমক কোর্ট অদুনা খোঙথাং অদু চুমথোকচনবগী মতমদি লৈরি। লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদু মীওইবা পুম্নমক্কী ৱাকৎফমনি হায়খি।

দিসেম্বর ১১ দা শিংথানিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমা ওইনা কোর্ট অদুনা লৌখিবা গে–সেক্স থিংবগী ৱাফম অদু অমুক হন্না কনর্ফাম তৌখি। কনজার্বেটিভ ওইবা সোসাইটি অসিদা হোমো সেক্সুয়েলিটিনা লৈবাক অসিদা ক্রাইম কয়া থোকহল্লকপা য়াই হায়না চহি মরিগী মমাংদা খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুনা রাই পীখিবনি।

ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সত্তন ৩৭৭ শেমদোক্লবা মতমদতা কোর্ট অদুনা অদুগুম্বা ৱায়েল অদু অমুক হন্না য়েংশিনবা য়াই। আই পি সি গী সেক্সন অদুনা চপ মান্নবা সেক্সকী মরক্তা হক্তিন্নবা য়াদবা হায়বা ৱাফম য়াওরি। ইং ২০০৯ দা লৱার কোর্ট অমনা সেক্সন অদুবু থুগায়দুনা ৱায়েল তাখি। হায়রিবা ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন থুগায়বা হায়বদু চহি ১০ জেলদা লৈবগী দন্দি ফংবা য়াবনি হায়রি।

হ্যুমেন রাইট গ্রুপশিংনা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অদুবু অমুক হন্না য়েংশিন্নবা জজ মঙা লৈবা পেন্নেল অমদা পিটিসন অদু থারকখিবনি।

## লোক সভা মীখলদা পেরামিলিটরি পার্সোনেল লাক্ষ ১.২ শিজিন্নগদৌরি

**নিউ দিল্লি, জনুৱারি ২৮ ঃ** চৎলিবা চহি অসিগী এপ্রিলদগী মে থা ফাওবদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেজ কয়া লৈবা লোক সভা মীখলদা সেন্ত্রেল পেরামিলিটরি পার্সোনেল লাক্ষ ১.২ শিজিন্নগনি। লোয়ননা মরী লৈনবা ষ্টেটশিংগী পুলিস ফোর্সশিংসু মতেং পাংগনি হায়রি।

হোম মিনিষ্ট্রিনা ইলেক্সন কম্মিসন্দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অদুগীদমক পেরা মিলিটরি পার্সোনেলশিংগী মশিং খঙহল্লক্নবা হায়খ্রে। পাউগী লিখুন অসিনা ফোঙদোরকখিবদা, হোম মিনিষ্ট্রিনা দরকার লৈবা পার্সোনেলশিং দিপ্লোয় তৌননবগীদমক তোঙান–তোঙানবা পেরামিলিটরি ফোর্সশিংগী পার্সোনেল লাক্ষ ১.২ থৌরাং তৌদুনা থমখ্রে হায়রি। হান্না য়াৎথোক্লবা থৌরাংগী মতুং ইন্না ফোর্সশিং অদু ষ্টেট অমদগী অমদা অকক্লবা মীখলগী ফেজশিং অদু য়েংলগা থাংদোক থাংজিন তৌগনি হায়রি। মদুগীদমক হোম মিনিষ্ট্রিনা রেলৱেজগী মতেং লৌবগা লোয়ননা চাওরাক্লা ট্রেন ৭০ থৌরাং তৌরি। মদু মমাংগী ইং ২০০৯ দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদসু থৌরাং তৌখিবা চাং অদুনি হায়রি।

সেন্ত্রেল পেরামিলিটরি পার্সোনেলশিংনা ষ্টেট পুলিস ফোর্সকা লোয়ননা ভোট থাদগদবা নুমিৎ অমসুং ইলেক্ত্রোনিক ভোট্টিং মেছিনশিং শাফগদবা মফমদা ভোট মশিং থিদ্রিবা ফাওবা থন্বগী দাইত্ব লৌগনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা নেক্সেলশিংগী মথক্তা ওপরেসন চখবদা শিজিন্নরিবা পেরামিলিটরি পার্সোনেলশিং অমসুং জম্মু অমসুং কাশ্মির অমদি অৱাং নোংপোক্কী লমদমদা মথৌ তৌরিবা পেরা মিলিটরিশিংদদি লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা কৌওথোক্তুনা শিজিন্নরোই হায়রি। লোক সভা মীখলগা লোয়ননা অন্ধ্র প্রদেশ, ওদিশা অমসুং সিক্কিমদা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলসু পাঙথোক্কদৌরি। লৈবাক অসিগী ভোট্টর মিলিয়ন ৮০০ না পোল্লিং ষ্টেসন লাক্ষ ৮ দা ভোট থাদবগী খুদোংচাবা ফংগদৌরি। ইং ২০০৯ দা পাঙথোকখিবা মীখলদদি ভোট্টর মিলিয়ন ৭১৪ না লৈবাক অসিদা ভোট থাদখি। অদুগা ইং ২০০৪ দা পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টরি মীখলদদি ভোট্টর মিলিয়ন ৬৭১ না ভোট থাদখি হায়রি।

হৌজিক লৈরিবা লোক সভাগী মপুন্সি অসি চৎলিবা চহি অসিগী জুলাই ১ দা লোইরগনি। অদুগা অনৌবা হাউস অমা চৎলিবা চহি অসিগী মে ৩১ ফাওবগী মনুংদা শেমগনি। চিফ ইলেক্তোরেল ওফিসারনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী দিজিপিশিং উন্নদুনা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

## রাজ্য সভাগী মীরেপ ১১ লম্বা য়াওদনা খল্লবা য়াই

**নিউ দিল্লি, জনুৱারি ২৮ ঃ** লাক্লিবা রাজ্য সভাগী মীখলদা মীরেপ ১১ লাম্বা য়াওদনা খল্লবা য়ানা লৈরে। মদুগী মনুংদা বি জে পি গী লুচিংবা বিজয় গোইল, পার্টি অদুগী রাজস্থানগী কেন্দিদেট ২, টামিল নাদুদগী ৬ অমসুং ঝরখন্দদগী ২ লম্বা য়াওদনা খল্লবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে।

কেন্দিদেটশিং অদুগী মনুংদা কংগ্রেস লুচিংবা দিগ বিজয় সিংহ, কুমারী সেলজা অমসুং মধুসুদ্দন মিস্ত্রি য়াওরবা য়াই। নিয়মগী মতুং ইন্না মীরেপ চে পীশিনবগী মতম লোয়খ্রবা ফাওবদা রাজ্য সভাগী সিট ৫৫ দি হাংদুনা লৈরি। আই পি এল গী চিয়ারমেন রাজিব বিস্বাস অমসুং রঘুনাথ মোহপত্রানচিংবা মীওইশিংদি হান্ননা ওদিশাদা নোমিনেসন ফাইল তৌখ্রে।

সেলজা, মীয়াম্মা শকখঙনরবা চিফ মিনিষ্টর ভুপেন্দ্র সিংহ হুদা অমসুং কংগ্রেস পার্টিগী নোমিনি অমা হরিয়ানাদা নোমিনেসন ফাইল তৌরকখি।

চহি ১০ হেন্না রাজনীতিদগী লাপথোক্লু রবা কংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি দিগ বিজয় সিংহ লোক সভা মীখলগীদমক মৈধ্য প্রদেশতগী নোমিনেসন ফাইল তৌরকখি। নোমিনেসনগী চেরোল পীশিল্লন্নবা মতুং চহি ৬৭ শুরবা দিগ বিজয়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মহাক রাজ্য সভাগী নোমিনি ওইনা খনবদা য়ারে হায়খি।

## এন দি এফ বিগী এম্বুসতা পুলিস ওফিসার অমা শিরে মঙা শোক্লে



**গুৱাহাতি, জনুৱারি ২৮ ঃ** আসামগী সোনিটপুর দিষ্ট্রিক্তা ঙসি অয়ুক্তা এনদিএফবি (নেসনেল দিমোক্রেটিক ফ্রন্ট ওফ বোডোলেন্দ) নি চিংনবা মিলিটেন্টশিংনা পেট্রোলিং চৎপা পুলিস পার্টি অমদা এটেক্ট চখরকপদা পুলিস ওফিসার অমা য়াওনা কন্সটেবল ৫ শোক্লে।

পুলিসকী পাউদা এনদিএফবিগী ৱারী শান্নবদা য়াওদবা কাংবু অদুনা পুলিসকী টিম অদুদা আসামগী সোনিটপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বতাসিপুর লমদমদা এম্বুস তৌরকখিবনি হায়রি।

এসিস্লেল সুপ্রিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস থৌদোক থোকফম অদুদা শিখি। অদুগা অতোপ্প কন্সটেবল মঙানা অশোক অপন নংখি হায়রি। থৌদোক অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮ লোম তাবদা পুলিস পার্টি অদুনা পেট্রোল্লিং চৎলিঙৈদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী অশি অনা য়াওবা ফিভম অদু থোকখিবনি হায়রি।

শোক্লবশিংগী মনুংদা মীওই অহুমগী ফিভম লুরি। মখোয় গুৱাহাতি মেদিকেল কলেজ হোস্পিটালদা লায়েংনবা পুখ্রে। অদুগা অতোপ্পা অনি অদুনা তেজপুর সিভিল হোস্পিটালদা লায়েংলি।

ৱারী শান্নবদা য়াওদবা নেসনেল দিমোক্রেটিক ফ্রন্ট ওফ বোদোলেন্দগী কাংবুনা চখখিবনি হায়না ঙসি ক্লেম তৌরক্লি।

## ইং ১৯৮৪দা থোকখিবা কাঙলুপকী ঈরাং অদু প্লান তৌরবা জেনোসাইদনি হায়না বি জে পিনা মরাল শীরক্লি





**ন্যু দিল্লি, জানুৱারি ২৮ ঃ** বি জে পিনা রাহুল গান্ধিগী ৱাঙাং য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইং ২০০২দা গুজরাটতা থোকখিবা কাঙলুপকী ঈরাং অদু মতম অদুদা পানখিবা বি জে পি সরকারনা ইনশিনদুনা থোকহনখিবনি হায়না রাহুল গান্ধিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু বি জে পিনা য়াখিদ্রে।

কোংগ্রেস পার্টিনা দিল্লিদা ইং ১৯৮৪ দা থোকখিবা ঈরাং অদুদা মখোয়না খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা ঈরাং অদু লাকশিন্নবা হোৎনখি। রাহুল গান্ধিনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অদু নরেন্দ্র মোদিবু মরাল শীবনি। গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা নরেন্দ্র মোদি হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর ওইনবা কন্না হোৎনরিবা মীশক অমনি।

কোংগ্রেস পার্টিগী মীখলগা মরী লৈনবা কেম্পেন অমগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা টেলিভিজন ইন্তরভিয়ু অমদা রাহুল গান্ধিনা গুজরাটতা হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

ঙরাং নুমিদাং পাঙথোকখিবা ইন্তরভিয়ু অদুদা গান্ধিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, গুজরাটকী ঈরাংদা মুসলিম চা–কয়া হাৎখ্রে। লোয়ননা দেলিদসু শিখশিংগী মথক্তা কাঙলুপকী ওইবা ঈরাং লাকখি। মদু মহাক্কী মবোক ইন্দিরা গান্ধিবু শিখ বোদিগার্দ অমনা হাৎখিবগী মতুংদনি। মতম অদুদা ইন্দিরা গান্ধি প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা মীশকনি হায়খি।

গুজরাটতা থোকখিবা কাঙলুপকী ঈরাং অদু লাইবক থিবনি। অদুগা ইং ১৯৮৪ দা থোকখিবা হাৎন–শুনবগী থৌদোক অদু অতমননা কাঙলুপ অমবু মুখৎনবা হোৎনবনি।

ইং ১৯৮৪ গী থৌদোক অদু জেনোসাইদনি লোয়ননা হান্নবা প্লান তৌরবা অমনি হায়না হৌজিক সরকার পায়রিবা কংগ্রেসপু মরাল শীরদুনা বি জে পিগী স্পোক্সপর্সন প্রকাশ জাবেদকরনা রাহুল গান্ধিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম চেলেঞ্জ তৌবগা লোয়ননা ফোঙদোরক্লি।

রাজিব গান্ধিনা ঙাঙথোকখিবা ৱাফম অদুনা থৌদোক অদু জেনোসাইদনি হায়বা প্রমাণ তৌরে। ইন্দিরা গান্ধি হাৎখ্রবা মতুংদা রাহুল গান্ধিগী অপোকপা রাজিব গান্ধিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখি। মহাকসু ইং ১৯৯১ দা সুইসাইদ বোম্বর অমনা হাৎখি।

রাহুল গান্ধি (৪৩)বু কোংগ্রেস মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনবা খ্বাইদগী পাম্বা মীশক অমনি হায়না লাউথোকপা ঙমদে। মরমদি মহাক্না নরেন্দ্র মোদিগা লম্বা তৌগদবা অদুননি হায়খি।

ইং ১৯৮৪ গী হাৎন–শুনবা অমসুং গুজরাটতা থোকখিবা ইং ২০০২গী থৌদোক অদুবু চাংমনরদুনা কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা অমনা হায়খিবদা, সরকারনা গুজরাটতা থোকখিবা ঈরাং অদু লেপহন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনখি। অদুগা অতোপ্পা অমদনা তায়ওন্নবা ওইখি।

গুজরাটতা পানখিবা বি জে পি সরকার অদুনা থৌদোক অদু থওইনা থোকহন্নবা শীনখিবনি হায়খি।

## GAS NEWS

**MAHA LUXMI**
Bk.upto : 16-12-13
Valid From: 25-11-13 **Stock-306**
**Time.** 7.30 a.m.-11.30 a.m.

**IMPHAL L.P.G.**
Bk.upto : 13-12-13
Valid From : 09-12-13
**Stock-350**
Sl.No. 34800

**K & K INDANE**
Bk.upto : 25-12-13
Valid From: 16-12-13 **Stock-306**
Time:7.00a.m.- 10.00 a.m.

**KHORIPHABA NAMBOL**
Bk.upto : 07-10-13
Valid From: 01-10-13 **Stock-288**
Time:7.00 a.m.- 9.00 a.m.

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Bk.upto : 11-11-13
Valid Upto : 31-10-13 **Stock-612**
Time : 7 a.m. to 9 a.m.
First come first serve

**HARAN VALLEY KWAKTA**
Bk.upto : 26-12-13
Valid From: 14-12-13 **Stock-306**
Time:8.00a.m.- 10.00 a.m.

**MANIPUR GAS**
Bk.upto : 19-11-13
Valid From: 12-11-13 **Stock-612**
Time:7.30a.m.- 10 a.m.

**HRANGCHAL GAS (OLD LAMBULAND)**
Bk.upto : 25-11-13
Valid From: 18-11-13 **Stock-306**
Time:6.30a.m.- 9.00 a.m.

8 GB pendrive free on HP 1510 all in one printer @ 3890/- limited stock

Introducing PROJECT 21
* Free Xerox facility for undergraduate student Paper charge extra .
* Eco friend recycling toner exchange offer with old toner with new one at amazing Price

Experience the power of Desktop
- Intel Daul core ,Hdd 160 Gb,Ram 2Gb DDR3, Intel chipset Mainboard,15.6" LED monitor , -@ 15,700/-
- Intel core 2 duo ,Hdd 160Gb,Ram 2 Gb DDR3, Intel chipset Mainboard,15.6" LED monitor , -@ 16,800/-
- Intel core i3 3rd gen, Hdd500 Gb,Ram 2 Gb DDR3, H61 Mainboard,15.6" LED monitor , -@ 24,800/-

UPS FREE @ 1,600/- On every Desktop

Laptop HP 1000 :- AMD Daul core , 2GB Ram , 500GB , Windows 8 @ 25299/-
Laptop HP 2000 (2d28tu) i3 3rd gen, ram 2gb, 500 gb , 15.6" screen @ 31,399/-
Laptop Asus FX1110 AMD dual core , ram 2gb, 500Gb , 15.6" screen @ 21,299/
Laptop Samsung N300 i3 3rd gen,ram 2gb , 500gb, 15.6 screen @ 29500/-

Kyocera Digital Xerox machine with printer card and colour scan Task alfa 1800 @ 47000/- ( by order )

Please visit 8575257697
S.K .TECHNOLOGY
3rd floor Bajaj TLC Building, opp UBI bank
Thangal bazar M.G. Avenue, Imphal west

16GB pendrive free on every Laptop Condition apply

hp ASUS KYOCERA acer